য়াঙ্গোইলৈমা ফুদ প্রদক্টস, দ টেষ্ট ওফ মণিপুরনা পুথোকপা গার্লিক মিক্সচর, চেম্পাক কবোক অমদি লৈবাক হৱাই বোরা হায়না মিংথোনবা চীঞ্জাক মখল অহুম এম এল এ, এল রাধাকিশোরনা লোঞ্চ তৌখিবা



কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্লদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনা মহাক্কী মীখলগী কেম্পেন হৌদোকখিবা



সী এম'স হেল্থ ফোর ওল স্কিম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ৱাংখেমদা নেসনেল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাইনা হৌদোকপগী থৌরম



প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন্না শীন্দুনা গান্ধী মেমোরিএল হোল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা রাজেশ্বরী য়েংখোমনা ইবা *নীংতম্বগী মচু* হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক ফোঙখিবা



## ৱর্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি, নেসনল হেল্থ মিসন থৌবাল, নেসনল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রামনা শীন্দুনা ৩০শুবা ৱর্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দেগী থৌরম ঙসি হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর উখোংশাংদা পাঙথোকখ্রে।

মেন্টেল হেল্থ ইন এন য়ুনিক ৱর্ল্ড হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবাল ডা. ৱাই নোকুল, নেসনল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রামগী নোদেল ওফিসর ডা. অথোকপম রানিতা, পি ঐচ সী নোংপোক সেকমাইগী এম ও ইন-চার্জ ডা. ঐচ ৱিলসন অমদি নেসনল হেল্থ মিসন থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সী ঐচ বসন্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## *নীংতম্বগী মচু* ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন্না শীন্দুনা *নীংতম্বগী মচু* হায়না মিংথোনবা রাজেশ্বরী য়েংখোমনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অমা গান্ধী মেমোরিএল হোল, ইম্ফালদা ঙসি ফোঙখ্রে।

শৈরেংগী লাইরিক অদু নাওরেম প্রবিন, এদিসনল চীফ ইলেক্সন ওফিসর, মণিপুরনা অথোইবা মীথুং ওইনা হৌনবী মতুংইন্না মীয়াম মাঙদা ফোঙখি। থৌরম অদুদা নির্মলা রাজকুমারী, ভাইস প্রসিদেন্ট প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন অমসুং নোংমাইথেম কিরন কুমার, কনভেনর মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীনা মথংশিংনা থৌরম মপু অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। ডা. এস লনচেনবা মৈতৈ, এসোসিএট প্রোফেসর দি এম কোলেজ ওফ আর্টসনা বুক রিভ্যুৱর ওইনা শৈরেং লাইরিক অদুগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): আর কে সী এস ম্যুজিয়ম ওফ আর্টস এন্দ ক্রাফ্টস, কৈশামথোংগী লাইফটাইম চ্যেরমেন ওইবীরম্বা রাজকুমার গোপালসনানা হৌখিবা ওক্টোবর ১২দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা আর কে সী এস ম্যুজিয়মদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা রাজকুমার গোপালসনানা আর কে সী এস ম্যুজিয়মবু অৱাংবা থাক্তা চিংখৎপীদুনা মীয়াম্না শকখঙনবা ম্যুজিয়ম অমা ওইননবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাং কয়াবু নৌহৌননা নীংশিংখি। মহাক্না লৈখিদবা অসিনা হাংহৌরিবা মফম অসি অমুক হন্না মেনশিনবা ঙল্লরোই। রাজকুমার গোপালসনানা লৈখিদবা অসিদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা পোথারুনবসু থৌনিজরি হায়না আর কে সী এস ম্যুজিয়ম ওফ আর্টস ক্রাফ্টসকী সেক্রেটরি আর কে বুধিমন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ লায়ন্স ক্লবকী প্রসিদেন্ট লায়ন দোগ্লস এক্স অলেকজেন্দরগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলনা শীন্দুনা হেল্পিং দি নিদি হায়বা প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্তুনা অচানবিগেদা লৈবা পোইরৈ নৱাকোলদা চান-থক্নবশিং তেংবাঙখ্রে। চেঙ, হৱাই, অচাথাউ, বেসন, আলু, তিলহৌ, য়েরুম, পাপর অমদি বিসক্কিৎনচিংবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অদু হোম অসিবু চলাইরিবশিংদা খুৎশিন্নখি। চান-থক্নবা পোৎলমশিং অদু এম জে এফ লায়ন থোকচোম রনবির, দিষ্ট্রিক্ট চ্যের পার্সন (স্পোর্টস)না লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা টি ঐচ জয়কুমারগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা স্পোন্সর তৌরকখিবনি হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলগী সেক্রেটরি পাঙ্গেজম সঞ্জিবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরনা ভিজন প্লস আই হোস্পিটাল রিমস রোদকা খুৎশম্নদুনা ঙসি ফ্রী আই চেক অপ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা মীওই ৭৫গী মীৎ চেক অপ তৌখি হায়রি।

# ৱাঙ্গোই এ সীদা লৈবা য়ুমথোঙ খূদিংমক্কী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনগনি : লুখোই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা ৱাঙ্গৈই এ সীদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইগী ইলেক্সন কেম্পেন ঙরাং হৌদোকখ্রে।

য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোংদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী হৌরগা মিনিষ্টর ও লুখোইনা থিয়াম লৈশাংখোংদা লৈবা ইমুং ৫ রোমদা চৎতুনা অহল-লমনশিংদগী থৌনিজবগা লোয়ননা ৱাঙ্গৈই এ সীগী মফম খূদিংমক্তা চৎকদবা ইলেক্সন কেম্পেন অদু হৌদোকখিবনি। কেম্পেন অদু হৌদোক্লদুনা মিনিষ্টর ও লুখোইনা হায়খি, লাক্লিবা ১২শুবা এসেম্বলী মীখলদা ৱাঙ্গৈই এ সীগী ওইনদি য়াম্না ঈংনা চিক্লা মীখল পাঙথোক্লনবা হোৎনমিন্নসি। এ সী অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংবু চান্নবা থবক পীননবা হোৎনগনি। ৱাঙ্গৈই এ সীদগী মপান লমদা অমসুং লমদম অসিদা মহৈ-মশিন তমদুনা লৈঙাক্কী থবক ফংদনা লৈরিবা মতিক চারবা মীওই কয়াদা মহাক্কী মায়কৈদগী অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীবা য়াবা শেঙ্গং অমদি পাংবা য়াবা মতেং পাংদুনা মশানা মশাবু থবক পীজ দুনা মতিক চারবা, শেঙ্গোক লম্বী নীংথিনা লৈবা ইমুং অমমম ওইহন্ননবা হোৎনবদা পাঙথোকপা য়াবা থবকশিং পাঙথোক্কনি। ৱাঙ্গৈই এ সীদা লৈরিবা য়ুমথোঙ খূদিংমক্কী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনগনি।

মহাক্না হায়খি, মীখল অসিদা মীয়াম্না অপাম্বা মীরেপতা ভোট পীবীয়ু। মীখলগা মরী লৈননা এ সী অসিদা পামদবা থৌদোক থোকহনগুমসি। মীরেপ ওইগদৌরিবশিংগী ৱার্করশিং অমদি ভোটরশিংনা য়াম্না মেচ্যওর ওইবা, ঈরাং পামদবা অমদি য়াম্না ঈং তপ্না ভোট থাদদুনা অতোপ্পা এ সীশিংগী মীয়ামদা ৱাঙ্গৈই এ সীগী অফবা মতৌ অদু তমহনসি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা এ সী খরদা হৌজিক মীখলগা মরী লৈননা খৎন-চৈনবগী থৌদোকশিং থোক্লিবা অসিসু থোকহন্দনবা ভোটরশিংনা হোৎনবীয়ু। দিমোক্রেসিদা মীয়ামগী অপাম্বা মীরেপতা ভোট পীজবা য়াই।

লাক্লিবা এসেম্বলী মীখল অসি মণিপুরগী চীং অমসুং তম অনীমক্তা ঈংনা চিক্লা পাঙথোক্লনবা হোৎনমিন্নসি।

ৱাঙ্গৈই এ সীগী লম্বী-থোং, থক্নবা ঈশিং অমদি হকশেলগী অৱাৎ অপা লৈহন্দনবা কন্না হোৎনরি। মীখল মমাঙদা লম্বী অয়াম্বা নীংথিনা কোয়লাস থাদুনা শেম্নবা থবক পায়খৎলি। জল জিবন মিসনগী মখাদা ৱাটর সপ্লায় স্কিম ৩/৪ লোইশিল্লক্লে। অনৌবা পাইপ কয়া তিংবগী থবক পায়খৎলি। ওভর হেদ টেঙ্ক কয়া শেমগৎ শাগৎপা লোইশিল্লক্লে। স্কিমশিং অসি শাবা লোইদুনা শঙ্গারবদি ৱাঙ্গৈই এ সীদা থক্নবা টোটি ঈশিংগী অৱাবা লৈররোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সী এম'স হেল্থ ফোর ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ানা মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইরকখিবগী চহী ৭৫ শুরকপগী পাঙথোক্লিবা থৌরম অজাদি কা অমৃত মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হন্দক্তা হৌদোকখিবা সী এমস হেল্থ ফোর ওল স্কিম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু ঙসি হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ৱাংখেমদা নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাইনা হৌদোকখ্রে। লোয়ননা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চৎতুনা হেল্থ স্ক্রিনিং তৌবসু হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ও ডা. ৱাই নোকুল, এন ঐচ এম মণিপুরগী এদিসনেল এস পি এম গোভিন্দ সলাম, য়াইরিপোক সী ঐচ সীগী এম ও ডা. এম রাকেশসু অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা এন ঐচ এম মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এন শ্যামজাইনা, সী এমস হেল্থ ফোর ওল হায়বসিদা ষ্টেট অসিগী অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ৱাৎলবা খুঙ্গংশিং মরুওইনা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়াম্বু মশা-মউ ফনা থম্নবা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চৎতুনা হকথেংননা মখল কয়াগী অনা-লায়ওংশিং খঙদোক্লবা থা অসিগী ১৪দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোকখিবনি।

থৌরাং অসিগী মখা তানা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী অপূনবা খুঙ্গং ১৬২৮দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা খনগৎখিবনি। মসিগী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর হাওখা অমসুং ৱাংখেমগী মখাদা খুঙ্গং ২/২ য়াওরকখিবনি। তুংদসু পাক শন্না পায়খৎলকখিগনি। মসিদা হেল্থ, প্রধান মন্ত্রি ভারতিয়া জনুশাধি পরিযোজনা (পি এম বি জে পি)গী কান্নবশিং ফংহনবা, দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন, ষ্ট্রোক, কিদনি, হার্টনচিংবগী অরিবা অনাবশিং খঙদোকপগী থবকশিং চথগনি। মীয়ামগী য়াইফনবা সী এমনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসি মপুং ফানা মায় পাক্লবা ডোক্তর, নর্স, অশাশিং, মরী লৈনবা পুন্নমক্না পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাইনা আপীল তৌখি।

## এম এল এ রাধাকিশোরনা লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): য়াঙ্গোইলৈমা ফুদ প্রদক্টস, দি টেষ্ট ওফ মণিপুরনা পুথোকপা চীঞ্জাক মখল ৩, গার্লিক মিক্সচর, চেম্পাক কবোক অমদি লৈবাক হৱাই বোরা ঙসি ওইনাম এ সীগী এম এল এ, এল রাধাকিশোরনা লোঞ্চ তৌখ্রে।

তৌবুল মমাঙ লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা লোঞ্চিং প্রোগ্রাম অদুদা ওইনাম এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমসুং খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজকী চ্যেরমেন এল রাধাকিশোরনা চীফ গেষ্ট, এলাংবম শ্যামকেশ্বর, রিটয়ার্দ সাইন্টিষ্ট দি আর দি এ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা প্রসিদেন্ট অমদি তৌবুল জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৪গী মেম্বর মুতুম রানি, তৌবুল জি পিগী ৱার্দ নম্বর ২গী মেম্বর টি ঐচ জিবোননা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরমগা মরী লৈননা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা চীফ মেনেজর প্রেমজিৎ এলাংবমনা ফোঙদোকখিবদা, লন তরেৎ ইন্টরপ্রাইজেসকী মখাদা য়াঙ্গোইলৈমা ফুদ প্রদক্টসনা লোঞ্চ তৌরিবা চীঞ্জাক মখল ৩ অসি ইরৈকায়, ইরমদমগী মীয়াম্না চাগদবনি হায়দুনা য়াম্না হায়জিনিক ওইবা মওংদা শেমজবদা নত্তনা চীঞ্জাকশিং অসি তুংকোয়না চাবদা ঐখোয়গী হকচাংদা অকায়বা পীদনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়াসু লৌরি। মসিগী মথক্তা ঙসি ফুদ প্রদক্সন অসিনা মরম ওইরগা তৌবুল খুঙ্গংগী নহা অমদি নুপী কয়াদসু থবক পীবা ঙম্লগনি। য়াম্না পীক্লা হৌদোক্লিবা ফুদ প্রদক্সন অসিনা মায় পাক্লা তুংদা অচৌবা প্রদক্সন পুথোকপা ঙম্নবা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ওইনাম এ সীগী এম এল এ, এল রাধাকিশোরনা হায়খিবদা, ঙসিগী নহাশিং অসিনা অসিগুম্বা থবক অমা পায়খৎলিবা অসি য়াম্না ফৈ। অসিগুম্বা ওন্ট্রপ্রেন্যুরগী ৱাখল্লোন অসি পাত্তক্না মীয়ামদা চেল্লক্লবা মতমদা ঐখোয় মীপান তাঙদবা, চাউখৎপা মণিপুর অমা ওইগদৌরিবনি। ঙসি অপীকপা স্কেলদগী হৌরবসু হায়রিবা প্রদক্সন অসি য়াম্না চাউখৎকনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ। তৌবুল হায়বা খুল অসি মণিপুরদা অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা অফবা থবকশিংগীদমক শকখঙহনসি। অদুগা খ্বাইদগী মরুওইনা ঐখোয়না তৌরিবা থবক অসি পীক্লেরা, চাউগেরা ৱাখল তানা ময়ামদগী হেন্না ফজনা তৌগদবনি। অদুতদা মায় পাকপা, মীয়ামদগী হেন্দোক থোইদোকপা হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

থৌরম অদুদা কে ঐচ দিলিপ, জোইন্ট দিরেক্টর (জিওলোজি এন্দ মাইনিং), দিরেক্টোরেট ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি ডা. সিনাম য়োইরেনতোম্বী মৈতৈ, দেপ্যুটি দিরেক্টর এম এস এম সী- টেক্নোলোজি সেন্টর, ইম্ফাল, মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ঈ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা রিসোর্চ পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ভক্রাঙ্গী কেন্দ্রগী রিটেল আউটলেট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী সিটি কয়াদা পাক শন্না হাংদোক্তুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া পীরিবা টেক্নোলোজি দ্রাইভন কম্পেনি অমা ওইরিবা ভক্রাঙ্গী কেন্দ্রগী রিটেলস আউটলেট অমা ঙসি য়াইরিপোক লাইমনাইদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি অমদি তুলিহল জিলা পরিষদকী মেম্বরসু ওইরিবা কোংবম ইনাওচানা হাংদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক লাইমনাইদা লৈবা সেক্রেদ হার্টইংলিস স্কুলগী মায়োক্নবদা লৈবা অমোম জে নিল মৈতৈগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা ভক্রাঙ্গী কেন্দ্র রিটেলস আউটলেট হাংদোকপগী থৌরম অদুদা তোপ চিংথা জি পিগী প্রধান য়ুম্নাম তোম্বা, অংথা জি পিগী প্রধান থিয়াম মনিহল, তুলিহল জি পিগী প্রধান এম দি অব্দুল খালিক্যু, এস দি পি ও, য়াইরিপোক কৈশাম ধনঞ্জয়, অন্দ্রো পি এসকী ও সী, এম দি জেহেরুদ্দিন অমদি সোসল ৱার্কর কৈশাম কামিনিকুমারসু শরুক য়াখি।

ভক্রাঙ্গী কেন্দ্র য়াইরিপোক লাইমনাইগী সর্ভিস প্রোভাইদর অমোম জেনিল মৈতৈনা ভক্রাঙ্গী কেন্দ্র অসি লৈবাক অসিগী সিটি কয়াদা পাক শন্না লৈদুনা মীয়ামদা ফাইনান্সিএল ইনক্লুজন, সোসল ইনক্লুজন, দিজিটেল ইন্দিয়া, স্কিল দিভেলপমেন্ট, ইমপ্লোয়মেন্ট অমদি তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্টকী প্রোগ্রামশিংগী কান্নবা ফংহনগনি। অদুগীসু মথক্তা মসিদা বেঙ্কিং, ফ্রঞ্চাইজ, লোন, ইন্স্যুরেন্স প্রদক্টশিং ফংহনবতা নত্তনা এ টি এম বুথ অমা হাংদোক্লি। মসিনা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামদা থেংনরিবা বেঙ্কিংগী অৱাৎপা অদু খরমখৈ মেনখৎপা ঙম্লগনি। মীয়াম্না মসিগী খুদোংচাবশিং অসি লৌবীয়ু হায়না জেনিলনা আপীলসু তৌখি।

## ঈ কৎখ্রে : লন্নাই মপারি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস) : অওনবা লন্নাইগীদমক কৎথোক্লবা ঈ হায়না মীংথোনবা লন্নাই মপারি থৌগল লুপ্না শিন্দুনা ঈ কৎপগী থৌরমগী অনীরকশুবা ওইনা ঙসি জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা থৌমী কয়ানা ঈ কৎখ্রে হায়না লন্নাই মপারি থৌগল লুপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পোলিটিকেল এক্তিভিষ্ট সাপম কংলৈপানগী লমজিং মখাদা লন্নাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুন্সিগী মীয়াম্না অনা-অয়েক য়াওরকপদা ঈ ফংদবগী অৱাবা লৈহনদনবা অহানবা ওইনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১দা হৌদোকখিবনি। লৈত লায়রবা অনাবা ইমুং কয়ানা খোঙথাং অসিগী মখাদা তেল্লবা মতমগী মনুংদা কান্নবা ফংহনখ্রবগী মতুংদা ঙসিগী অসিনা অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোকখিবনি। কুমসি চহী অসিদা লন্নাই মায়কৈগী নহা ৩০০ হেনবনা ঈ কৎনবা পান্দম থল্লি। অনীরকশুবা ওইনা মায়পাক্না ঈ কৎখ্রবগী মতুংদা লন্নাই মীয়ামগী য়াইফবা থৌরম থৌশিল কয়া অসি সাপম কংলৈপালগী মীৎয়েং মখাদা লন্নাই এ সীদা অওনবা পুরকপা ঙমগনি হায়বসি মীয়ামগী অচেৎপা থাজবা ওইরক্লে। লন্নাই মায়কৈগী নহা চাদা ৮০না সাপম কংলৈপানবু শৌগৎলি। ৱার্ককলচর শাগৎতুনা শেঙ্গোক লৈবা লৌমী য়ুমথোং চা কয়া শেমগৎলকপদা নত্তনা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং কয়া ফংহন্দুনা লন্নাই মায়কৈদা অওনবা অমা পুরকপা ঙম্লকখ্রে। অনা লায়েংদা খুদোংচানবা থবক কয়া পায়খৎলি। তেল্লবা মতম খরাসিদা পুরক্লিবা অওনবসি মীয়াম্না ঙকনিংঙাই ওইবা থাকনি। হৌজিক্তি লন্নাই মায়কৈদা মীয়ামগী ঈ চুপ্পা লুচিংবনা কনানো অদুগা মীয়ামগীদমক ঈ কৎপা লুচিংবনা কনানো হায়বসি ঙসিদি লন্নাই মায়কৈগী লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না ৱাখল তারক্লে। মখা তানসু লন্নাই মপারি থৌগল লুপনা পোলিটিকেল এক্তিভিষ্ট সাপম কংলৈপালগী মখাদা লন্নাই মায়কৈগী মীয়ামগীদমক মরুওইনা লৈত লায়রবা মীয়ামগী অনা-অয়েক্তা মতেং পাংনবা ঈ কৎখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইবা ইলেক্সনগী পাউজেল পুবা বাইক রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): কুম্বী এ সীগী ওইনা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্বলী ইলেক্সন অসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকপীয়ু হায়বা পাউজেল পুবা বাইক রেল্লি অমা এ সী অসিগী নেসনল টিচর এৱার্দী কে ঐচ ইন্দ্রকুমারনা ফ্লেগ ওফ তৌদুনা লমথাদুনা চৎখ্রে।

য়ুথ য়ুনাইটেদ কুম্বীনা শীন্দুনা কুম্বীগী অকোয়বদা চথখিবা বাইক রেল্লি অদুগা মরী লৈননা কে ঐচ ইন্দ্রকুমারনা হায়খিবদা, হন্দক লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী মীখল অসিদা কা হেন্না চাদিং তৌনদুনা অমদি চাকচা হৈজান্নবা তৌবীগনু, ভোটতা শেল য়েনবগী হৈনবী অসি থাদোক্তুনা এ সী অসিদা য়াম্না ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইবা ইলেক্সন পাঙথোকসি। অফবা মতিক চাবা মীরেপ অমা পুথোকসি হায়খিবগা লোয়ননা ঙসিগী বাইক রেল্লি অসিসু মসিগী পাউজেল অসি পুদুনা চৎপনি হায়খি।

য়ুথ য়ুনাইটেদ কুম্বীগী প্রসিদেন্ট এম জোঙ্গন মৈতৈনা বাইক রেল্লি অসিগা মরী লৈননা হায়খিবদা, এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি পঞ্চায়টশিংদা ভোটকী মরমদা চাকচা হৈজান্নবা তৌবীগনু, লাক্কদৌরিবা ভোট অসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা পরম চুম্না তৌনবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংদসু আপীল তৌজরি হায়খি।

## কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী নৌনা থৌপুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): থোং মান্নবা মহৈরোয় খুন্নাই অমা শেল্লকপগী ৱাখল্লোন্দা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না চথরকপা থৌদাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী ওফিসতা লূপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সেরাম হেমজিৎ, ইপসা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী জেনরেল সেক্রেটরি জি ইবোহল, জে আই এম দব্লিয়ু এ কেগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ জিনি, কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী এদভাইজর এল সুরেন্দ্র অমদি কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এল ব্রোন্সননা ময়াই তাংবল লৌদুনা কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী নৌনা থৌপুগদবশিং খনখ্রে হায়না কে এস এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি তৌইজম রনকুমার মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি সী ঐচ অচৌ মৈতৈনা প্রসিদেন্ট, কে এস রোসন মৈতৈনা ভাইস প্রসিদেন্ট, কে সোমোরজিৎনা সেক্রেটরি জেনরেল, এন লৈবাজিৎ মৈতৈনা সেক্রেটরি ফাইনান্স, ৱাই জেলসননা সেক্রেটরি ঐচ আর দি, এস হেমোচান্দনা সেক্রেটরি পব্লিসিটি, দব্লিয়ু অঞ্জলিনা সেক্রেটরি কলচরেল এন্দ ৱিমেন এফ্যের্স, ৱাই জেনিথনা জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং সনামচানা দেপ্যুটি সেক্রেটরিনি। অদুগা পি ঐচ চিংলেম্বা, গীতচন্দ্র, কে ঐচ তানিয়া, কে সুমিট অমসুং এল মঙালসনা মৈতৈনা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনি। হায়রিবা থৌমীশিংনা অসিনা কুমজা ২০২১ দগী ২০২৩ ফাওবগী ওইনা কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী থৌগায় পুরগনি হায়রি।

## সুভাসপু শৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস) : খুরাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইগনি হায়না চোংথোরক্লিবা খম্বাবু শৌগৎপা অমদি মহাক্কী ইলেক্সন কম্মিটিগী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওই ২৬ এ সী অসিমক্তা মীখল থেংননবা শেম শাদুনা লৈরিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট হৈস্নাম সুভাসতা শৌগৎনবা চঙলকখ্রে হায়রি।

মীওই ২৬ অদু ঙসি ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট সুভাসকী য়ুমদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমদা মখোয়বু তরাম্না ওক্তুনা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নখি। খুরাই এ সীগী ৩/৫ পোল্লিং খাবৈশোয় (বি)দগী খম্ববু শৌগৎলম্বা মীওই ২৩ য়াওনা অতোপ্পা পোল্লিং ২দগী মীওই অহুম হৈস্নাম সুভাসপু শৌগৎলগনি হায়না চঙলকখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ঐচ সুভাসকী ইলেক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট আই শিংহজিৎ, এদভাইজর এম দি অকিমুদ্দিন, এম দি মুনাল, কেএসঐচ ইবোমচা, ৱাই রামেশ্বর, এম দি লুখোয়নচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ঐচ সুভাসনা হায়, মীয়ামগীদমক থম্মোয় শেংনা ঙমজবা থবক খরা তৌজবা অসিদা মীয়াম্না পেনবিবদগী ঐহাকপু শৌগৎনবা মথং-মথং লাকপীখিবনি। তুংদসু পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং বুথ খুদিংদা য়ৌহন্নবা বুথ লেভেল কম্মিটিশিংবুসু পাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি ইলেক্সন কম্মিটিসু পাকথোক চাওথোক্লবা থবক চঙশিল্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা শেম-শারিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেক্সনদা হৌজিক হৌজিক ককচিং এ সীগী এম এল এ ওইরিবা ময়াংলম্বম রামেশ্বরবু অমুক হন্না মায় পাকহন্দুনা এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়ামগী মীহুৎ অমুক হন্না ওইহন্নবগী পান্দমদা বি জে পি ককচিং মন্দলনা শীন্দুনা ৩৭-ককচিং এ সীগী তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ৫/৫গী নুপীশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি ককচিং মখা লৌ, ইরুম নিংথৌ পরেংদা লৈবা ককচিং এ সীগী এম এল এ রামেশ্বরগী ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর, বি জে পি ককচিং মন্দলগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শ্যামজাই অমদি টি ঐচ নন্দোনা থৌরম মপুশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা মীয়াম্না লৌগদবা থৌদাংশিং অমদি মীখলগা মরী লৈননা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেক্সনদা ৩৭-ককচিং এ সীগী নুপীশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা সোসাইটি অমদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শীংথাদুনা শরুক য়াখিবশিংবু পক্লিং থৌগৎপা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

## ৱর্ল্ড ফুদ দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্ল বগুম ৱর্ল্ড ফুদ দেগী থৌরম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা লৈবা য়াঙম্বম কুমার কোলেজ (ৱাই কে কোলেজ)গী মিনি কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ৱাই কে কোলেজগী ফুদ প্রোসেসিং টেক্নোলোজি অমসুং হোর্টিকলচর লোয়ননা বি ভোকেসনল দিপার্টমেন্টনা পুন্না শীল্লগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. এস গিরি, কোলেজ অসিমক্কী বি ভোকেসনল প্রোগ্রামগী নোদেল ওফিসর ডা. এম দি এ সত্তর শাহ অমসুং আই ক্যু এ সীগী কোওর্দিনেটর ডা. এল গোপেননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

সেফ ফুদ নাও ফোর এ হেল্থি টুমোরো হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংগী ইনভাইরনমেন্টকী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. এন সোভারানিনা ন্যুট্রিসন: এ কম্বেট টু ফাইট কোভিদ ১৯ হায়বা হীরমদা অদুগা কোলেজ অসিগী বি ভোকেসনল প্রোগ্রামগী এসোসিএট প্রোফেসর বি বিদনিতানা সেফ ফুদ নাও ফোর এ হেল্থি টুমোরো হায়বা অসিদা মরিক চুম্না ৱা ঙাংখি।

## য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লূপ কয়ানা তেংবাঙবীরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা লেপ্তুনা তেংবাঙবীরক্লি হায়না য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটি কৈবী সনাপাৎকী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ওক্টোবর ২দা ৱাংখৈ পুখ্রম্বম লৈরক্তগী ঙাঙোম জেমস মৈতৈ অমদি ঙাঙোম ওংবী সুধানানা মখোয়গী মচানুপা ঙাঙোম লুৱাংঙানবা মৈতৈগী চহী ২০ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীরম্মী। ওক্টোবর ৩দনা শীংজমৈ চিংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী কে এস ঐচ সজিনানা চিলদ্রেন হোমসিগী খ্বাইদগী অঙাং ওইরিবা সেরাম মালেমঙানবগী চহী ৭ শুরকপগী মপোক নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকপীদুনা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ বেগ ১, আলু বেগ ১, অচাথাউ লিটর ৫, হৱাই কে জি ৫, য়েরুম প্লেৎ ৪, য়েন্সাং মনা মশিং, বিসক্কিৎ বোক্স ১, সেনিটাইজর, মাস্ক, সাপোন, হেন্দ ৱাসনচিংবসু পীবীরম্মী। নুমীৎ অসিমক্তদা শীংজমৈ চিংঙামখোংদগী ডা. এন জিটেন্দ্রনা লুপা লিশিং ২ অঙাংশিংগীদমক পীবীরম্মী। ওক্টোবর ৪দনা নহারুপ পাঙ্গোং মখোঙদগী ৱাইখোম নিলমনিনা তর্পন উসব কৎপীদুনা অঙাংশিংবু লুক ফংহনবীরম্মী লোয়ননা মখোয়গীদমক ফুটবোল ২, শেল ওইনা লুপা লিশিং ২সু পীবীরম্মী। ওক্টোবর ৪দনা সগোলমাং খেৱাদগী ফোলেন্দ্রো লাইশ্রমনা মচানুপী চেলসিআ লাইশ্রমগী চহী ১৭ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, আলু বেগ ১, বকেৎ ২গা লোয়ননা সর্ফ কে জি ৪, থুম বেগ ১, য়েরুম প্লেৎ ২, বিসক্কিৎনচিংবা পীবীরম্মী।

ওক্টোবর ৬তনা সোইবম লৈকায় অয়াং পল্লি রোদতগী লাইশ্রম সজিৎনা লাংবন উসবকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা টি-সার্ট ১২সু মখোয়গীদমক পীবীরম্মী। ওক্টোবর ৭তনা খুরাই থোইদিংজম লৈকায়দগী ডা. জেসলিন মনোহরময়ুম পূর্ণিমাসিনা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদ্রবা মনোহরময়ুম রাধামাধোব শর্মাগী লৈখিদবা কুমওনগা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক গ্রাউন্দর ১, ঙারি কে জি ১, অচা-অথকশিং পীবীরম্মী। ওক্টোবর ১১দনা ক্বাকৈথেলদগী নাম্বম য়াইফ, হেপি কোঙ্জেংবম, লিসা থৌরাংবম, কর্নজিৎ নিংথৌজমনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, হৱাই, আলুনচিংবা পীবীরম্মী। ওক্টোবর ১২দনা উৎলৌ চনুরা কৈথেল, নম্বোলদগী ঙাঙোম কেনিরোজরনা মহাক্কী চহী ২৫ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ বেগ ১, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং, শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫ অমদি অচাপোৎনচিংবা পীবীরম্মী। ওক্টোবর ১৩দনা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্লোবেলনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, আলু বেগ ১, অচাথাউ লিটর ৩, হৱাই কে জি ১০, য়েন্সাং মনা মশিংনচিংবা পীবীরম্মী। ওক্টোবর ১৩ অসিমক্তদা ক্বাকৈথেলদা লৈবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)গী ২৩শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং, অচা-অথকশিং অমদি লুপা লিশিং ১ পীবীরম্মী। ওক্টোবর ১৫দনা য়াইরিপোক্তগী এন কে সনজিৎনা লুপা লিশিং ৫, তরেৎ খুলগী থাংজম জুগেশ্বরনা লুপা ২০০ অঙাংশিংগীদমক তেংবাঙবীরম্মী।

মীয়ামগী মতেংখক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাঙবীরক্লিবশিংগী মফমদা হোমসিগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎচবসু ফোঙদোরক্লি।

## ইন্টলেকচ্যুএল মীট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): ১২শুবা মণিপুর এসেম্বলী মীখল অসিদা মতৌ করম্না বি জে পিগী কেন্দিদেট মায় পাকহনসিগে হায়বা হীরমদা ৩৫-খাঙবোক বি জে পি মন্দলগী ওইবা ইন্টলেকচ্যুএল মীট অমা ঙসি খাঙবোক ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীৎয়েং মখাদা বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এ সী অসিগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা হান্নগী বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ জাদুমনি, ষ্টেট বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ইন্টলেকচ্যুএল সেল মেম্বর সোইতা দেবী মাইবম, মন্দল ভাইস প্রসিদেন্ট এম রামেশ্বর, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট কুমারজিৎ য়ুম্নাম অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট এস ঐচ জপাননা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## থাঙ-তাগী নুমীৎ থাবুম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস): কিমাক্সকী মীৎয়েং মখাদা থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা ওক্টোবর ১৬তগী নবেম্বর ১৫ ফাওবা থাঙ-তা ফোর সোসল চেঞ্জ হায়বা ৱাখল্লোন্দা চথুগদবা থাঙ-তাগী নুমীৎ থাবুম ঙসি কোনুং মমাঙদা লৈবা কিমাক্সকী হেদ ওফিসতা ঙসি লাইথৌগা লোয়ননা হৌদোকখ্রে হায়না থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মীদিয়া কনভেনর এল সৈত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট অমসুং থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভেনর নিংথৌজম অজিৎকুমার, কিমাক্সকী এদভাইজর অমসুং থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন লৈতাঙ্থেম ধর্মেন্দ্র, কিমাক্সকী মেম্বরশিং, থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মেম্বরশিং, থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিং অমদি থাঙ-তাবু নুংশিবীবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থাঙ-তা ফোর সোসল চেঞ্জ হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোক্লিবা থাঙ-তাগী নুমীৎ থাবুম অসিবু লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা থাঙ-তাগী লূপ, ওজাশিং, থাঙ-তাবু নুংশিবীবা মীওইশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি লৈবাক মীয়াম্না থাঙ-তাগী ৱাখল্লোন অসিবু মালেমদা হেন্না মশক থোকপা অমা ওইননবা থৌরম অসিবু ইশাগী অমদি লমদম অসিগী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাং অমা ওইনা পাঙথোকপীননবা হায়জরি। লোয়ননা কিমাক্স অমদি থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা থাবুম অমা চুপ্না পাঙথোকচগাদৌরিবা তোঙান তোঙানবা এক্তিভিটিশিং অসিদা মীয়াম পুম্নমক্না শরুক য়াবীনবা অমদি মতেং পাংবীননবা কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) অমদি থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মায়কৈদগী মীয়ামদা হায়জরি হায়রি।